# পি দব্লিয়ু এল : পঞ্জাবনা উত্তর প্রদেশ দঙ্গলবু ৫-২ দা মায়থীবা পীদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখ্রে



ন্যু দেল্লি, জান্যুৱারী ১১ :
পঞ্জাব রোয়েলসনা মফম অসিগী কে দি জাধভ ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চখরিবা প্রো রেষ্টলিং লীগ (পি দব্লিয়ু এল) টাইগী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা উত্তর প্রদেশ দঙ্গলবু ৫-২ দা মায়থীবা পীদুনা মখা তানা মায় পাক্লা চঙশিল্লি।

পঞ্জাবনা হৌজিক মেচ মরিদগী পোইন্ট তরুক ফংবা ঙমখ্রে। মখোয়না মখোয়গী কেম্প্যেনগী অহানবা মেচ অদু মায়থীখি অমদি মখা তারকপা মেচ অহুম থংন-থংননা মায় পাকখি।

জয়পুর নিঞ্জাস, মুম্বাই মহারাথি অমদি হরিয়ানা হাম্মর্সনা পোইন্ট ৪/৪ ফংমিন্নখিদুনা অনীশুবা স্পোটতা লৈখি। অদুম ওইনমক হরিয়ানা অমদি জয়পুরনা পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থানা হল্লক্লবগী চাউরবা খুদোংচাবশিং লৈরি। হরিয়ানা অমদি জয়পুরনা মথংশিংনা মেচ অনী অমদি অহুম শান্নখ্রে। উত্তর প্রদেশনা মখোয়গী ফংখিবা মেচ অহুম্মক মায়থীখিদুনা খ্বাইগী মনিংদা লৈখি।

পঞ্জাবকী কেপ্টেন ভলাদিমির খিনচেগাশভিলিনা টোস ঙমখি অমদি নুপীগী কেজি ৫৮ গী কাঙলুপ্পু ব্লোক তৌনবা লেপনি। উত্তর প্রদেশকী কেপ্টেন ইলিটসা য়াঙ্কোভানা নুপাগী কেজি ৯৭ কী বাউটপু ব্লোক তৌখি।

নুপাগী কেজি ৫৭ কী কাঙলুপ্তা পঞ্জাবকী ভলাদিমিরনা মশক থোক্লা শান্নবা হৌরকখিদুনা কুমজা ২০১৩ গী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী সিলভর মেদলিষ্ট অমিট দাহিয়াবু ৬-২ দা মায়থীবা পীখি।

নুপীগী কেজি ৪৮ গী কাঙলুপ্তা য়াঙ্কোভানা নির্মালা দেবীবু ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা উত্তর প্রদেশপু চিংখৎলমখি। দেবীনা অহানবা রাউন্দদা মাঙজিল থানা চৎখি অমদি বাউটকী অয়াম্বা মতমদা লীদ তৌদুনা চৎখি। অদুবু অরোইবদা বলগেরিয়াগী রিও ওলেম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্টকী মখুৎতা মায়থীখি।

নুপাগী কেজি ৭৪ গী কাঙলুপ্তা পঞ্জাবকী জিতেন্দ্রানা য়ু পিগী টারিয়েল গাপ্রিন্দাশভিলিবু ৬-১ দা মায়থীবা পীখি। ইন্দিয়াগী গ্রেপ্লর অসিনা অহানবা রাউন্দদা মহাক্কী জোর্জিয়ন ওপোনেন্টকী মায়োক্তা ২-০ দা মাঙজিল থাখি অমদি বাউট লোইবা ফাওবা খুদোংথীবা অমত্তা য়াওদনা খুমাঙ চাউশিন্না চৎখি।

নাইজেরিয়াগী ওদুনায়ো ফোলাসাদে অদেকৌরোয়েনা উত্তর প্রদেশকী পিঙ্কিপু নুপীগী কেজি ৫৩ গী বাউটতা টেক্নিকেল সুপরিওরিটিদা মায়থীবা পীদুনা পঞ্জাবপু মাঙজিল থানা লৈহনখি। নাইজেরিয়ন ষ্টার অসিনা অনীশুবা পেরদ ফাওবদা ১৬-০ দা মাঙজিল থানা লৈখিবা মতমদা বাউট অদু লেপখি।

নুপাগী কেজি ৬৫ গী কন্টেষ্টতা পঞ্জাবকী বলগেরিয়ন ষ্টার ইলয়াস বেকবুলাটোভনা য়ু পিগী এন্দ্রে কভিয়াটকোভস্কিবু ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি। নুপাগী কেজি ৭০ গী কন্টেষ্টতা হান্নগী এসিয়ন চেম্পিয়ন অমিট ধাঙ্করনা পঞ্জাবকী পঙ্কাজ রাণাবু ১৩-৫ দা মায়থীবা পীখি।

নুপীগী কেজি ৭৫ গী কাঙলুপ্তা হান্নগী য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন বেলারসকী ভাসিলিসা মার্জানিয়ুকনা য়ু পিগী মারিয়া মামাশুকপু ৩-১ দা মায়থীবা পীখি।

# ইন্দিয়াগী অন্দর-১৭ ফুটবোল ৱর্ল্ড কপ টিমনা বেলারসপু ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে



ন্যু দেল্লি, জান্যুৱারী ১১ :
ইন্দিয়াগী অন্দর-১৭ ফুটবোল ৱর্ল্ড কপ টিমনা রসিয়াগী সেন্ট পিটরসবার্গতা চখরিবা গ্রানাটকিন মেমোরিএল কপকী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা মখোয়গী অনীশুবা মেচতা বেলারসকী অন্দর-১৮ টিমবু সোলিটরি গোলদা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা টিম অনীমক্না গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংখ্রবসু টিম অনীগী মরক্তা খেন্নবশিং লৈখি। মেচ অদুগী মিনিট ৬৮ চৎপা মতমদা কোমল থাটালনা টিমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু চনখি। মেচ অদুদা গোল চনবা য়াবগী অহানবা খুদোংচাবা অদু মেচকী মিনিট ২৩ চৎপা মতমদা বোরিশ সিংহ থাংজম্না দিফেন্দর অনী লাম্থোক্লগা পুশিনখিবা বোল অমা কোমলনা ওক্লগা শাংনা ওপোজিসনগী কষ্টদিয়ন তম্না থাজিনখিবদা গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে।

মেচকী মিনিট ৩৪ চৎপা মতমদা লেফট ফ্লেঙ্কতা সঞ্জীভ ষ্টেলিননা বোল অমা ফংখি অমদি বোল অদু অমরজিৎ সিংহ কিয়ামদা পীখিদুনা অমরজিৎনা বোল অদু ফারগা মতীং থোক্লা বেলারসকী মায়কৈদা কাওশিনখ্রবসু গোল চনবদি ঙমখিদে। বেলারসনা অহানবা হাফ ফাওবদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা গোলগী এটেম্প অমত্তা তৌবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফকী মেচকী মিনিট ৫০ চৎপা মতমদা বোরিশনা বেলারসকী বোক্সতা পুশিনখিবা বোল অমা কাওখিবদা বার ৱাংমা লান্না চৎখিবদগী গোল চন্দুনা মাঙজিল থারম্বা য়াবদু অরেম্বা তাখি।

মেচকী মিনিট ৬৩ চৎপা মতমদা বেলারসনা গোল চন্নবা হোৎনরক্লবসু কান্নবা ফংদনা অরেম্বা তাখি। ইন্দিয়াসু গোল চন্নবা অকনবা শাফুগা লোয়নননা তকখৎলকখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৬৮ চৎপা মতমদা টিম কেপ্টেন সুরেশ সিংহ ৱাঙজম্না য়েৎথংবা ফ্লেঙ্কতগী পীখিবা ক্রোস অমদা কোমলনা ওক্লগা বেলারসকী গোলপোষ্ট মনুংদা কাওশিনখিদুনা গোল ওন্থোকখিবগা লোয়নননা ১-০ দা মায়থীবা পীখি।

পনবা য়াই, টুর্ণামেন্ট অসিগী ইন্দিয়াগী অহানবা ফংখিবা মেচতা রসিয়াগী মখুৎতা ০-৮ দা মায়থীহৌখিবনি। মেচ অদুগী অহানবা হাফতা রসিয়ানা পেনালটি অমা য়াওনা গোল মঙা চনশিন্দুনা ৫-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। সেকেন্দ হাফতা রসিয়ানা গোল অহুম অমগা চনশিন্দুনা ইন্দিয়াবু ৮-০ দা মায়থীবা পীখিবনি।

# গিলেস মুল্লরনা মেট্ট বার্টোনবু মায়থীবা পীদুনা সিদনিগী ক্বার্টর চঙখ্রে

সিদনি, জান্যুৱারী ১১ : গিলেস মুল্লরনা মফম অসিদা চখরিবা সিদনি ইন্টরনেসনলগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী মেট্ট বার্টোনবু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

লক্সমবার্গকী তরুকশুবা সীদ অসিনা অকনবা নুংশাগী মৈশা মরক্তা বার্টোনবু ৬-১, ৩-৬, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। মমাঙ চহীগী সেমী ফাইনেল মেচতা গ্রিগোর দিমিট্রোভকী মখুৎতা মায়থীহৌখিবা মুল্লরনা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা উরুগুৱেগী অনীশুবা সীদ পাব্লো ক্যুভাসকা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

পাব্লো ক্যুভাসনা অতোপ্পা মেচ অমদা ফ্রেঞ্চমেন নিকোলাস মাহুটপু ৬-৪, ২-৬, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকখিবনি।

মেচ লোইরবা মতুং মুল্লরনা হায়খি, মেচ অদু য়াম্না টফ ওইখি। ঐখোয় অনীনা মতীং থোক্লা সার্ভশিং তৌনখিবনা মদু অফবা অমনি হায়না ঐনা খল্লি। মেচ অদুদা ইবাইনিগী মরক্তা কৃক-কৃক ইন্ননা শান্নবা লৈখিদে। ঐনা মেচ অদু মায় পাকখিবদা নুংঙাইবা পোকই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মশাগী চহী ৩৩ শুরবা অসিনা মখা তানা হায়খি, ঐনা মমাঙ চয়োলদা পাঙথোকখিবা ব্রিসবেন ইন্টরনেসনলদগী ইশাদা অশোকপা লৈখিবদগী লায়েংদুনা লাক্লি। টুর্ণামেন্ট অদুদা ঐনা অমেরিকাগী জারেদ দোনাল্ডসনগী মখুৎতা অহানবা রাউন্দদা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

মহাক্না হায়খি, মেচকী ফল অদু ফত্তবা অমদি ওইখিদে। ঐনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অদুদা অপেনবা পোকই। ঐনা মফম অসিগী কোর্টতা নুংঙাইবা পোকই। সিটি অসিসু অপাম্বা হায়বদু থোকই। ঐনা মফম অসিদা লৈবদা নুংঙাইবা পোকই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা মেচ অমদা জর্মনগী মঙাশুবা সীদ ফিল্লিপ কোহলক্রেবরনা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোর্দান থোম্পসনবু ৭-৫, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি। মহাক্না মথংগী মেচতা অনীরক দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ভিক্টর ট্রোইকি অমদি পাওলো লোরেঞ্জি অনীগী মরক্তা মায় পাকপা অদুগা শান্নগনি।

স্পানিশকী মরিশুবা সীদ পাব্লো কারেনো-বুষ্টানা অহানবা সেটতা মায়থীখ্রবসু জর্মনগী মিসচা জেভেরেভপু ৩-৬, ৭-৬ (৭/৪), ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি। টুর্ণামেন্ট অসিগী টোপ সীদ দোমিনিক থিয়েম্না ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী মাঙওইননা ৱার্ম-অপ ইভেন্ট ওইনা পোর্টুগিজগী ক্বালিফাইয়র গাষ্টাও ইলিঅসকা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

নুপীগী মেচতা হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান কারোলিন ৱোজনিয়াক্কিনা বার্বোরা ষ্ট্রাইকোবাগী মখুৎতা পুং অহুমগা মিনিট ১৯ চুপ্পা শান্নখিবা মেচতা ৭-৫, ৬-৭ (৬), ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি।

# স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএসনবু অমুক হন্না শকখঙখ্রে





ন্যু দেল্লি, জান্যুৱারী ১১ :
ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএসন (আই ও এ) না স্কামদা চেন্নবা সুরেশ কলমাদি অমসুং অবে চৌটালাবু এসোসিএসন অসিগী লাইফ প্রসিদেন্ট ওইনা হাপখিবা অদু স্পোর্টসকী পেরেন্ট বোদি অসিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা চৎনহনখিদবা লোয়নননা আই ও এবু স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা অমুক হন্না শকখঙখ্রে।

ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএসন (আই ও এ) গী প্রসিদেন্ট এন রমাচন্দ্রননা হায়খি, চেন্নাইদা পাঙথোকখিবা এসোসিএসন অসিগী চহীগী মীফমদা সুরেশ কলমাদি অমদি অবে চৌটালাবু লাইফ প্রসিদেন্ট হাপ্নবগী ৱারেপ অমত্তা লৌবা লৈখিদে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

নিংশিংবা য়াই, হন্দক্তা আই ও এনা কম্মনৱেল্থ গেমসগী স্কামদা চেন্নে হায়বগী মরাল লৈরবা সুরেশ কলমাদি অমদি অবে সিংহ চৌটালাবু এসোসিএসন অসিগী লাইফ প্রসিদেন্ট হাপখিবা অদু হন্দোক্লবা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা খঙহনখ্রবসু হন্দোকখিদবগীদমক মিনিষ্ট্রি অসিনা আই ও এবু সসপেন্দ তৌখিবনি।

সুরেশ কলমাদিনা কুমজা ১৯৯৬ তগী কুমজা ২০১১ ফাওবা আই ও এগী প্রসিদেন্ট ওইখি। মহাক্না প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈ মনুং কুমজা ২০১০ দা দিল্লিদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থ গেমসগী ষ্টেদিয়মশিং শেম শারকপদা অরানবা কয়া তৌখি হায়বা খঙলকপদগী থা তরা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখি। মতুং তারকপদা বেলদা থাদোকখি।

তুংদা হরিয়ানাগী অবে সিংহ চৌটালাবু কলমাদিগী মহুৎ শিন্দুনা কুমজা ২০১২ গী দিসেম্বর থাদগী কুমজা ২০১৪ গী ফেব্রুৱারী থা ফাওবা আই ও এগী প্রসিদেন্ট ওইখি অমদি মহাক্কী মতমদা আই ও এবু ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) না চহী ১৪ চুপ্না সস্পেন্দ তৌখি।

অমরোমদা, আই ও এনা সুরেশ কলমাদি অমদি অবে সিংহ চৌটালাবু লাইফ প্রসিদেন্ট ওইহন্নবগী লৌখিবা ৱারেপ অদু হন্দোকখিবদা থাগৎপা ফোঙলদুনা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা এসোসিএসন অসিবু অমুক হন্না লৌশিনখ্রে।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা অথিংবা থমখিবদগী গভর্ণমেন্টনা নেসনল ওলেম্পিক কম্মিটি (এন ও সি) গী ওইনা পীরম্বা মতেং অমত্তা পীখিদনা লাকখ্রবসু আই ও এনা মখোয়গী ৱারেপ ককথৎখ্রবনা মিনিষ্ট্রিনা থমখিবা সসপেন্দ অদু মশানা হন্দে দাকখ্রে হায়না স্পোর্টস সেক্রেটরি ইঞ্জেটি শ্রীনিভাসনা ফোঙদোকখি।

# পি ভি সিন্ধুনা ৱর্ল্ড নম্বর থ্রি জি হয়ুন সুংবু মায়থীবা পীদুনা চেন্নাই স্মাশর্সপু মাঙজিল থানা লৈহনখ্রে




বেঙ্গলুরু, জান্যুৱারী ১১ :
ওলেম্পিক্কী সিলভর মেদলিষ্ট পি ভি সিন্ধুনা মফম অসিগী কোরামাঙ্গালা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চখরিবা প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ (পি বি এল) কী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মেচতা ৱর্ল্ড নম্বর থ্রি জি হয়ুন সুংবু মায়থীবা পীদুনা চেন্নাই স্মাশর্সপু মাঙজিল থাহনখ্রে।

সিন্ধুনা মায় পাকখিবা অসিনা চেন্নাই স্মাশর্সনা মুম্বাই রোকেটসপু রেকোর্দ ওইনা ৪-৩ দা মায়থীবা পীখি। মহাক্কী টিমবু ৩-১ দা পুখৎখিবী ৱর্ল্ড নম্বর ৬শুবদা লৈরিবী সিন্ধুনা ৱর্ল্ড নম্বর ৩শুবদা লৈরিবী সুংবু ১১-৮, ১২-১০ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখি।

সিন্ধুনা মেচ অদুদা কোর্ট শিনবা থুংনা চেন্দুনা শান্নখি অমদি মহাক্কী হৈ-শিংলবা খুদাংগী টেক্নিক অদুনা মশক থোক্লা মাঙজিল থানা চৎপা ঙমখি। মশাগী চহী ২১ শুরবী অসিনা অহানবা গেম অদু ১১-৮ দা মায় পাকখি।

অনীশুবা গেমগী ওপনিং ষ্টেজদা প্লেয়র অনীনা গ্রি গ্রি তকখৎনা শান্নখি। সিন্ধুনা মায়োক্লখিবা মায়কৈদা অকনবা প্রেসর পীদুনা শান্নখিদুনা ৯-৬ তা মাঙজিল থানা লৈখি অদুবু সুংনা নিংথিনা খুৎ হনখিদুনা ১০-১০ দা চাং মান্ননা লৈখি। মখা তারকপদা সুংগী সার্ভিসতা অশোয়বা লৈখিবদগী সিন্ধুনা মেচ পোইন্ট ফংখি অমদি গেম অদু ১২-১০ দা মায় পাকখি।

অঙনবদা শান্নখিবা মেচতা চেন্নাইগী পি কেশয়পনা মুম্বাইগী ঐচ এস প্রান্নোয়গী মখুৎতা ৯-১১, ১১-১৩ দা মায়থীখি।

মিক্স দবলসকীদা ক্রিস অমদি গাব্রিল্লা অদোকনা মুম্বাইগী চিয়াগ শেত্তি অমদি নাদিজদা জিবাবু ৯-১১, ১১-২, ১১-৭ তা মায়থীবা পীখি। অদুগা টোম্মি সুগিওর্টোনা অজয় জয়ারামবু ৮-১১, ১১-২, ১১-৫ দা মায়থীবা পীখি।

অহানবা গেমদা অজয় জয়ারামগী মখুৎতা ৮-১১ দা মায়থীখ্রবা সুগিওর্টোনা নিংথিনা খুৎ হনখিদুনা ৬-১ দা মাঙজিল থানা চৎখি অমদি মদুদগী মহাক্কী লম্বাবু ১১-২ দা মায় পাকখিদুনা গেম অদু দিসাইদরদা পুরকখি। দিসাইদরদা সুগিওর্টোনা নিংথিনা শান্নখিদুনা ব্রিক ফাওবদা ৬-২ দা মাঙজিল থাখি অমদি অরোইবদা ১১-৫ দা মায় পাকখিদুনা চেন্নাইবু সেমী ফাইনেলদা পুশিনখি।

# অর্জেন্টাইন লেজেন্দ দিগো মরাদোনানা ৱর্ল্ড কপ্তা টিম ৪৮ না শরুক য়াহন্নবা লৌখিবা ৱারেপ্পু শৌগৎখ্রে




জুরিক, জান্যুৱারী ১১ :
মালেমগী ফুটবোলগী গভর্নিং বোদি ওইরিবা ফিফানা লাক্লিবা কুমজা ২০২৬ কী ৱর্ল্ড কপ্তগী মালেমগী লৈবাক ৪৮ না শরুক য়াহন্নবা লৌখিবা ৱারেপ্পু অর্জেন্টাইন লেজেন্দ দিগো মরাদোনানা শৌগৎখ্রে।

মশাগী চহী ৫৬ শুরবা মরাদোনানা ফিফাগী জুরিকতা লৈবা হেদক্বার্টরসতা পাউমীশিংদা হায়খি, মালেমগী ফুটবোলগী পৱারফুল ওইরবা গভর্নিং কাউন্সিলনা লৌখিবা ৱারেপ অসি ঐঙোন্দদি খ্বাইদগী মশক থোকপা মিৎয়েং অমনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, মসিনা অমুক্তা ফাওবা কম্পিটিসনগী লেভেল য়ৌবা ঙমখিদবা লৈবাকশিংনা শরুক য়াবা ফংবগী ওইথোকপা অদু ফংলগনি। টিম ৪৮ দা ওনখৎলকপা অসিনা ক্বালিটিদা করিসু তথবা লৈরোইহায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, লাক্লিবা কুমজা ২০২৬ কী ফিফা ৱর্ল্ড কপ্তা হৌজিক লৈরিবা টিম ৩২ অসিগী মহুত্তা অপুনবা টিম ৪৮ না শরুক য়াহন্নবা মালেমগী ফুটবোলগী গভর্নিং বোদি ওইরিবা ফিফানা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ৱারেপ লৌখি।

অনৌবা ৱারেপ অসি ফিফা কাউন্সিলগী মশিং য়াম্লবা মেম্বরশিংনা ভোট থাদদুনা অয়াবা পীখিবা অসিমক্না মালেমগী বোদি অসিগী প্রসিদেন্ট জয়ানি ইনফান্টিনোনা মঙজরকখিবা মঙলান অদু মঙফাওনহনখি। ভোট থাদনখিবা অদুদা পীখিবা ওপসন মঙাগী মনুংদা টিম অহুম-অহুম্না গ্রুপ ১৬ খায়দোকপগী ফোর্মেট অদু ফিফানা খনখি। ফোর্মেট অদুগী মতুং ইন্না গ্রুপ অমদগী খ্বাইগী মকোক্তা লৈবা টিম অনীনা রাউন্দ ওফ ৩২ গী নোক আউট ষ্টেজগীদমক ক্বালিফাই ওইগনি অদুগা ৱর্ল্ড কপকী অপুনবা মেচ মশিংনা ৬৪ দগী ৮০ দা হেঙ্গৎহল্লবসু দিফেন্দিং চেম্পিয়ন অদুদি হান্নগুম মেচ তরেৎখক্তমক শান্নগনি।

ইন্টরনেসনল সেদ্যুল ময়াম অমা লৈবা য়ুরোপিয়ন ক্লবশিংবু অহোংবা পুরকপা অসিদা মিৎয়েং চিংশিলহন্নবগীদমক টুর্ণামেন্ট অসি নুমিৎ ৩২ গী মনুংদা লোইশিন্নবা ৱারেপসু লৌখি। হৌখিবা কুমজা ১৯৯৮ গী মতুংদা ৱর্ল্ডকপকী টিম মশিং হেঙ্গৎনবা ৱারেপ লৌখিবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি অমদি টিম ৪৮ গী টুর্ণামেন্ট অসিদগী বৃটিশ পাউন্দ বিল্লিয়ন ৫.২৯ গী রেভিন্যু লাকহন্দুনা শেন্দোংসু হান্নদগী বৃটিশ পাউন্দ মিল্লিয়ন ৫২১ দা হেঙ্গৎহল্লগনি হায়না থাজনরি।

ফিফা ৱর্ল্ড কপকী পুৱারীদা কুমজা ১৯৩০ দগী পাঙথোকপা হৌখিবা ৱর্ল্ড কপ অসি কুমজা ১৯৫০ ফাওবদা টিম ১৩ খক্তনা শরুক য়াদুনা অপীকপা টুর্ণামেন্ট অমা ওইখি। মদুগী মতুংদগী কুমজা ১৯৭৮ ফাওবদা টিম ১৬ না শরুক য়াদুনা লাক্লবা মতুং কুমজা ১৯৮২ দগী কুমজা ১৯৯৪ ফাওবদা টিম ২৪ না শরুক য়াখি। কুমজা ১৯৯৮ গী মতুংদগী হৌজিক ফাওবা টিম ৩২ না শরুক য়াদুনা লাক্লি।

ADVANCED COACHING INSTITUTE Regd. No.-729
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road
Only25 Seats per class (each section)
Max. no. of selection every year in min. no. of intakes
REGULAR MEDICAL &ENGINEERING COURSE (2017)
COHSEM
The Largest,Trusted&Premier Coaching Institute,Imphal in both Sc.&Arts
CBSE
Sc. & ARTS
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE X & XII
TIME 4.40-7.40AM 4.40-7.40PM
ARTS & Sc.
Class xii Sc./Arts (COSEM) 22nd Dec. 2016
Class xii Sc./Arts(CBSE) 22nd Dec.
Class x-SA II 21st Dec.
Special RevisionX &foundationCourse for ix,x
Early morning batch 6am to 10am (25 seats)
Late morning batch(25) 10.30am to 2.30pm
Early evening batch 3pm to 7pm (25 seats)
Fee concession for merit students, ex-students,OBCs,ST,SC,distance students
starting from 21st,23rd Dec.
Separated boys,girls hostel,van servicelibrary facility #7308911167/9862992105
HL-B/3471/29 N, 1-31 D, 2-16 Jan. '17 (Alt.)

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN - REVISION COURSE FOR CLASS X Starts: 15th Dec. 2016 Time : 11 am - 4 pm
Foundation Course for Class I to X Starts: 22nd Dec. 2016 Limited Seat




Felicitation of Toppers of HSLCE 2016
BOARDING FOR BOYS & GIRLS
VAN SERVICE AVAILABLE
Contact : 9856988840, 9402897710, 8732022342
HL-B/3606/12/01-11/02